আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবা

# নেসনলদা গোল্ড ৪১, এসিয়ন গেমসতা গোল্ড ২ লৌরক্লবী ৱুশু শান্নরোয় সপনানা লমদমসিগী অফবা শান্নরোয়শিং পুথোক্লবা হোৎনরি



হান্না আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্স শান্নরম্বদগী মণিপুরদা ৱুশু মশান্না অসি নৌনা চঙলকখিবদগী ৱুশু মশান্না অসিদা নহাশিংনা য়াম্না পাম্না শান্নরকখি। যূমলেম্বম সপনাসু হান্না আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্স শান্নরম্বা অদু থাদোক্লম্লগা ৱুশু মশান্নদা পূক্নিং হকচাং চপ য়ুংনা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়নননা অখণ্ড অহৈ ওজাশিংগী মনাক্তা চৎতুনা নিংথিনা ৱুশু মশান্না অসি মমুৎ তানা তম্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটতা পাঙথোকপা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ, নেসনল গেমস, সিনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল ৪১, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অনী লৌরকখিবী সপনানা হৌরক্লিবী লমদমসিগী নহাশিংবু নেসনল অমদি এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল কয়া লৌরকপা ঙম্নবগীদমক কন্না হোৎনরি।

ৱুশু মশান্না অসি হৌজিক ফাওবদি ওলিম্পিক গেমসতা চনদ্রি অদুবু করিগুম্বা হায়রিবা মশান্না অসি ওলিম্পিক গেমসতা চল্লক্লগদি মতিং লৈবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা গোল্ড মেদল কয়া লৌরকপা ঙমগনি হায়বা থাজবা লৈ। অদুবু মহৌশা মখোয়না শান্নবগী ফিল্ড অসিদা থোরকপা মতমদা নহা য়াম্না দিসিপ্লিন অমমমদা শান্নরোয় য়াম্না থোরকপা থেংনৈ। অদুবু হৌজিক্তা য়াম্না হন্থরে। অদুগা শান্নবগী লম্দা চঙলক্লিবা নহাশিংসু য়েংবদা মোবাইল পায়রগা গেম শান্নবদা হেন্না থৱায় য়াওবা থেংনৈ। মরম অদুনা শান্নবগী লম্ অসিদা খোঙ থাংজিল্লক্লগদি অফবা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্নবা কন্না হোৎনবগা লোয়নননা ময়ামদগী মকোক ওইনবা হোৎনবা হায়বা অসি অরাইবা থবক অমদি নত্তে। অদুনা পূক্নিং হকচাং চপ য়ুংনা লেপ্লগা ঐহাক গোল্ড অসিমদি লৌদবা য়াদে হায়দুনা ময়ামদগী হেন্না খরা হেন্না হোৎনবা অমা মথৌ তাই। মদুনা শান্নরোয় মশা অদুগী ইমুং মনুং, লৈকায় অমদি মণিপুরগী মীংচৎ পুরক্লবা অখন্নবা হার্দ ৱার্ক অমদি য়াম্না মথৌ তাই হায়না যূমলেম্বম সপনানা ফোঙদোরক্লি।

যূমলেম্বম সপনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈরাও এ সীনা কোনবা ইরিলবুং কৈরাও অৱাং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা ৱাই সনাতোম্বা অমদি যূমলেম্বম ওংবী জামিনি লৈমা অনীগী মচানুপী তরেৎ, নুপা অমা পূন্না মচা নিপালগী মনুংদা সপনানা অনী শুবীনি। মহাক কুমজা ২০০৯দা মেট্রিক পাস তৌরবা মতুংদা কুমজা ২০১৫দা গ্রেজুএট পাস তৌখি হায়রি।

মহাক লাইরিক তম্না তম্না অঙাং ওইরিঙৈদা হান্না আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্সতা চহী ১০ রোম শান্নরবা মতুংদা কুমজা ২০০৭তগী অমুক ৱুশু শান্নবা হৌরকখি। ৱুশু শান্নবা চঙবদা মশান্না অসি মাগী য়াম্না চান্নবা গেম অমা ওইখি। চহী অসিদা মুম্বাইগী বোলিৱুদকী ফিল্ম ৱুশু মার্সিএল আর্ট অমগী কন্টেক্ট লাকখি। মদুদা মহাক মুম্বাইদা থা অমা ট্রেনিং তৌখি। মহাক হান্না জিম্নাষ্টিক্স শান্নরকপনিনা ৱুশুগী চোঙবা-ফনবা, ওনবগী খুদোংচাবা অদু মহাক্না ফংখিবনি। যূমদা থোরকপদা মখোয়গী ববাসু তাইবঙপাল থাদোক্লম্লে। কুমজা ২০০৮দগী মহাক মখা তানা ৱুশু অসি ফজনা শান্নখি হায়রি।

কুমজা ২০০৮গী সেপ্টেম্বর ১২দগী ২৯ ফাওবা ভোপালদা পাঙথোকখিবা ৮শুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপকী ইভেন্ট চাং ক্বান অমদি দাওশুদা গোল্ড অমমম লৌখি। কুমজা ২০০৯গী দিসেম্বর ২৪দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৯শুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপকী ইভেন্ট চাং ক্বান, দ্যুলিয়ন, গুরশু এন্দ দাওশুদা গোল্ড মরি লৌখি। কুমজা ২০১১গী ফেব্রুৱারী ১২দগী ২৫ ফাওবা রাঞ্চি, ঝরখণ্ডদা পাঙথোকখিবা ২৩শুবা নেসনল গেমস শান্নবদা সনাগী মেদল মরি লৌখি। কুমজা ২০১৫দা কেরলাদা পাঙথোকখিবা ৩৫শুবা নেসনল গেমসতা সনাগী মেদল অমা লৌখি। কুমজা ২০০৯দা মহারাষ্ট্রদা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা সিনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল অনী, সিলভর অনী লৌখি। কুমজা ২০১০গী ফেব্রুৱারী ২১দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা সিনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল অনী লৌখি। কুমজা ২০১১গী মার্চ ২৭তগী ৩১ ফাওবা হরিদ্বারদা পাঙথোকখিবা ১৯শুবা সিনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল অহুম, সিলভর অমা ফংখি। কুমজা ২০১২গী মার্চ ২৬তগী ৩১ ফাওবা জম্মুদা পাঙথোকখিবা ২০শুবা সিনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল মরি লৌখি। চহী অদুগী জুন ১দগী ৩ ফাওবা হরয়ানাদা পাঙথোকখিবা অহানবা সিনিয়র নেসনল ৱুশুফেদরেসন কপতা সনাগী মেদল মরি লৌখি। কুমজা ২০১৩গী মার্চ ২৮দগী ৩১ ফাওবা কোলকটাদা পাঙথোকখিবা ২১শুবা সিনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল অহুম, সিলভর মেদল অমা ফংবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৪গী ফেব্রুৱারী ৬তগী ৯ ফাওবা রাজস্থানগী জয়পুরদা পাঙথোকখিবা ১২শুবা সিনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল মরি লৌখি। চহী অদুমক্কী দিসেম্বর ২৬তগী ২৯ ফাওবা বিহারদা পাঙথোকখিবা ২৩শুবা সিনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা সনাগী মেদল মরি লৌখি। কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বর ২৫দগী ৩০ ফাওবা চান্দিগড়দা পাঙথোকখিবা ২৪শুবা সিনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপতা সনাগী মেদল মরি লৌখি।

ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নবদা কুমজা ২০০৯গী ওগষ্ট ১দগী ৯ ফাওবা থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা অহানবা এসিয়ন ওপন মার্সিএল আর্টস গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। কুমজা ২০১০গী দিসেম্বর ৫দগী ৮ ফাওবা সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকখিবা ৩শুবা ৱর্ল্ড জুনিয়র ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌখি। কুমজা ২০১২দা ভিএটনাম অমদি কুমজা ২০১৩দা মলেসিয়াদা পাঙথোকখিবা ৮শুবা এসিয়ন ৱুশু চেম্পিয়নশিপ অমদি ১২শুবা ৱর্ল্ড ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা নিপালশুবা পোজিসন তাখি। কুমজা ২০১৪গী জন্যুৱারী ১৮দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৩শুবা লুসোফোনিয়া গেমসতা গোল্ড অমা, সিলভর অহুম লৌখি। কুমজা ২০১৪দা চাইনাগী নানজিংদা পাঙথোকখিবা ২শুবা সম্মর য়ুথস ওলিম্পিক গেমসতা নুমিৎ ১৫নি ৱুশুগী দেমো উৎখি।

চহীদুগী সেপ্টেম্বর ১৯দগী ওক্টোবর ৯ ফাওবা কোরিয়াগী ইঞ্চিওনদা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা এসিয়ন গেমসতা তরেৎশুবা পোজিসন তাখি। কুমজা ২০১৬দা শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা ১২শুবা সাউথ এসিয়া গেমসতা সনাগী মেদল লৌখি। মহাক কুমজা ২০১৪ অমদি ২০১৬তা চাইনাদা থা অমমম ৱুশুগী অখন্নবা ট্রেনিংসু তৌরুরে। কুমজা ২০১৪গী কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা এসিয়ন গেমসতা ট্রাইএল তৌনবা মহাক ভোপালদা ট্রেনিং তৌবদা খ্বাইদগী রেঙ্ক ফজবা মহাকপু খন্দোক্লম্লগা মিং ওন্নরে হায়না নমথরগা থম্লমখি। মদুদা মহাক্না শাওদুনা পাউচেদা হাপ্পদা মণিপুরদগী মাবু নুংশিবীবা মীওইশিংনা মতম অদুদা পাবুং উৎলৌ চাওবা দেল্লীদা লৈবনি মাগা লোয়নননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্পোর্টস উন্নরগা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা মাগী বাইও দাটা য়েংবদা ফজবা পারফোমেন্স অদু উবদগী মিনিষ্টরনা ফেদরেসনগী কাঙবু অদু চৈরগা খুদক্তা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টরনা সেঙ্কসন তৌদুনা খুদক্তা ফ্লাইটতা ইন্দিয়াদগী কোরিয়া তম্না চৎখি। অদুবু শান্নবা চৎপদা টেন্সন লৈবা অমদি অফবা দাইট চাদবদগী হকচাং শোন্থনা শান্নবদা মহাক গোল্ড মেদলদি লৌবা ঙমখিদ্রে। অদুবু চৎলিবা ইন্দিয়াগী টিম অদুদগী মহাক্না তরেৎশুবা পোজিসন তাখি। মরম অদুনা শান্নবদা পোলিটিক্স চঙহন্নীংদে মসিনা শান্নরোয়শিংদা নীংহন্নে। মহাক কুমজা ২০১৫দা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা ফিজিকেল এদ্যুকেসন টিচর ওইনা চঙদুনা হৌজিক হৌজিক নেসনল অমদি এসিয়ন গেমসতা গোল্ড লৌবা ঙম্নবা শান্নরোয়শিং তাকপী তম্বীরি। ●

# “লিন তোংবা ফিরাল”

- এল ইবোমচা -

লৌউবা...!
থাঙ্গোল অদু ময়া থাংঙু থৌনা
হে-লৌউবা, থাঙ্গোল অদু ময়া থাংঙু থৌনা
ময়া থাংঙু থৌনা থাংঙু, থাঙু তোয়না তোয়না
য়েংউ ইতাও চেকশিন্না পায়য়ু ময়া তাখিনি...।

মথক্কী ঈশৈ অসি জননেতা ইরাবতনা হিংলিঙৈদা মশানা ইরগা ঈশৈ শকপী অমদা সুর পান্দুনা তম্বীরগা শকহল্লগা লৌখিবা রেকোর্দ ঈশৈনি। ইংলিসকী থা সেপ্টেম্বর জননেতা ইরাবত থা হায়রগা মীয়াম্না থোইনা হেন্না খঙনৈ। থা অসি মৈতৈ ঐখোয়গী লাংবন, মেরা, হিয়াঙ্গৈ থাগা ইতোৎ তোৎশিন্নবা থানি। ঐখোয়গী নুংশিরবা জননেতা ইরাবত পোকপা অমসুং শিবগী থা ওইবগী মথক্তা ঐখোয়গী থবান্দা পাঙথোকপা তর্পন কৎপা, হৈক্রু হিদোংবা, মেরা চাওরেল হৌবা, ক্বাক তানবা, দুর্গা পুজা, হিয়াংথাং বরনচিংবগী হরাও কুম্মৈ পাঙথোক্লবা থানি।

মীয়াম্না জননেতা ইরাবত হায়রগা থোইনা হেন্না খঙনরিবসি অতৈ কনাসু নত্তে, হিজম ইরাবতনি। মহাক কুমজা ১৮৯৬কী সেপ্টেম্বর ৩০দা পীশুম ওইনাম লৈকায়দা পোকই। অপোকপগী মীংনা হিজম ইবুংঙোহল অমসুং অপোকপীগী মীংনা চোংথাম নিংঙোল থম্বালঙম্বী কৌই। অদুবু অপোকপা মপা মানা য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদা লৈখিদবনা মরম ওইরগা মাগী পুন্সি য়াম্না ৱানা হৌরকই। মরম অসিনা মমা ইবেম্মনা মাবু মনে ইবেম্মা শৌগাইজম ওংবী ইবেতোনগী ময়ূমদা পূন্না লৈমিন্নরবসু লাইবক থীবা মরী চৎলি মতাগুম মমা ইবেম্মসু ঙন্তানা কায়নখি। মরম অসিদগী মনে ইবেম্মনা মমাগী শক্লোন লৌদুনা লাইরিক লাইশু তমহনখি অমসুং লাইরিকসু অদুক্কী মতিক ফনা হৌরকই। মানা খ্বাইদগী তাথীবসি মীনা মীবু ওৎপা, অমাঙ অশেং অমসুং অরানবা থবক তৌবসিনি। মতম খরা ইম্ফালদা লাইরিক তম্লম্লবা তুংদা তাঞ্জা অমা ফংবদগী মহাক বাংলাদেশতা চৎতুনা ধাকাদা ক্লাস নাইন ফাওবা লাইরিক তমখি। মহাক্না ধাকাদগী হল্লক্লবা মতুংদা ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা মণিপুর লৈঙাক্কী মেম্বর ওইরম্বা মাইবম শমদেনগী ময়ূমদা লৈখি। মতম অসিমক্তগীনি মহাক্না মীয়ামগী থবক থানা তৌবা হৌরক্লিবসু। য়াইমরপ চাউ শাংবা কুচু পানবা, মশম জ্বাই জ্বাই তানা শক ফজবা, ফৈজোম অমসুং গেরুৱা মচুগী ফুরিৎ পুময়াৎ লিৎপা পামজবা মহাক্না করিগুম্বা মফম অমগী মীফমদা খুদোম্বী য়াওনা তান থা-থাদুনা ৱা ঙাঙবগী হৈনবী লৈ। মঙোন্দা ইন্দিয়াগী নীংতম লালহৌদা অকনবা শাফু পীবা ঙমখিবা ‘লোকমান্য তিলক’ কী পুন্সি অমদি থবক্কী মমী তাবা ফংই। মঙোন্দা মী অমদা হেক্তা চেনবা ঙম্লরোইদবা গুণ কয়ানা লৈতেংই, হায়বদি অইবা অমনি, ওজা অমনি, দ্রামাটিষ্টনি, ঈশৈ শকপা অমনি, কাং মশান্নদা মীয়াম্না মশক খঙনরবা মমিং চৎলবা চেকফৈ তানবা শান্নরোইনি।

কুমজা ১৯২৫দা কোনুংদা শান্নখিবা ‘নরসিংহ’ দ্রামাদা শরুক য়াখি হায়না থাজনবা লৈ, অদুগা মোইরাংখোমগী এল পি স্কুলদা মতম খরা ওজা ওইরম্লবা মতুং মশাগী চহী ২৭ শুরকপদা মহারাজগী ময়াম্লুং চন্দ্রহাসকী মচা ইবেম্মা অহল খোমদোনসনাগা লুহোংখি অদুগা ইকুই কুইদনা পঞ্চায়টকী মেম্বরসু ওইহনখি। মতমদুদা মহাক থাগী তোলোপ লুপা কুনমঙা অদুগা লৌচা ওইনা লৌ পরি কুনমঙা ফংই। পঞ্চায়ট মেম্বর ওইনা ওইনা ৱারেং, শৈরেং লাইরিক কয়ামুক ইখি। ঈশৈ মরিসু মীয়ামগী থম্মোয় লকা য়ৌহন্নবা ইরগা শকহল্লম্মী। ঈশৈশিং অদুদি - হৌরো হৌরো ভারত মচাশা, হৌরো অৱাবা অহিংগী অমম্বা কোক্তুনা, চৎলো চৎসি ইচিল ইনাওশা অমসুং মথক্কী থাঙ্গোল অদু ময়া থাংঙু থৌনা হায়রিবশিং অসিনি, অদুগা মানা ইরম্বা শৈরেং লাইরিক ‘শৈদম শৈরেং’ ক্লাস ফাইভতা তম্লম্মী। মতমদুগী মমিং লৈরবা কবিশিং হায়বদি খ্বাইরাকপম চাওবা, অঙাংহল, নবদ্বিপচন্দ্র, কমলনচিংবা কবিশিংগী মতমদা ৱারেং শৈরেং কয়ামুক ইখি। মহাক্না মৈতৈ চনু, য়াকাইরোল, ললিত মঞ্জুরি পত্রিকা, ডিখৌগী তোর্ব্বান্দানচিংবা লাইরিক কয়া পুথোক্তুনা মণিপুর সাহিত্যদা খুদোল তম্লমখি। শৈরেংদা জাটায়ু, উনা, ইমাগী পুজা, মহাক্না শিলেট জেলদা লৈরিঙৈ মতমদা ইখিবনি। ‘লোকমান্যা’ মীংথোনবা, মানা ইদুনা ফোঙখিবা লাইরিক্তা য়াওবা বন্দা, জঙ্গলদা, মসজিৎতা, চৎতুনা থিবদা ঈশ্বর ফংলোই, শেৎনীংঙাই চানীংঙাই লৈতবা মীগী সেবা তৌবনা মীওইবগী ধর্ম্মনি, মসিনা ঈশ্বর ফংলবনি হায়না ইদুনা খঙহল্লম্বা ঙসিসু নীংশিংদুনা লৈনরি। অদুগা কুমজা ১৯৩৬কী জন্যুৱারী ২৬তা মহাক্না সেক্রেটরি ওইনা সভা মীফম অমদা মানা হায়খিবা ৱাহৈ অমসু মীয়াম্না নীংশিংদুনা লৈনরি মদুদি মৈতৈদি অনী তিন্নবা য়াদে হায়বা কনাগুম্বগী হিগাইৱা অসি মূথৎলসি, ঐখোয় নুংশিননা পুকচেল খোইজেল তিন্ননা হিংমিন্নসি হায়বা ৱাহৈ অসিনি। তোপ তোপ্পা মতৌ অমনা বাংলাদেশ, কবো, কছারনচিংবা মফমশিংদা চোইজাইননা লৈরিবা মৈতৈশিংবু অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনবিরম্বা শিংথাবগী পেনবা নাইদে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা নিখিল মণিপুরী হিন্দু মহাসভাদগী হিন্দু হায়বা ৱাহৈ লৌথোকখিবা, ব্রহ্মসভাগী অমাং-অশেং, চন্দল শেনখাই, পিয়ন শেনখাই, পোত্থাং দোলাইরেং, য়ারেক সন্ত্রিনচিংবা বৃটিশ অমসুং নিংথৌগী মায়োক্তা লেপ্পী অদুগা পুর্ব্বাঞ্চল দেশ শেম্লনবা ঈহৌদা মহাক্না অথিংবা পীখিবা শীংথানীংঙাইনি। অতোপ্পা মতৌ অমা হায়বা তারবদি, কোনুংনা মাংই হায়দুনা তোঙান্না ইন্থোকপীরবা ইমুংদা থোকপা জন্ম কর্ম্ম, শ্রাদ্ধ কর্ম্মনচিংবদা কনামত্তনা চঙবীদুনা শরুক য়াবিদ্রবসু মহাক মশামক্না লুচিংদুনা থৌরমশিং অদু মপূং ফানা পাঙথোকপদা য়াওখিবগী মতৌদুসু অমনি।

কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২দা মণিপুরদা চেঙ ফংদবগী শাথীরবা নুপী লান থোকখি, হায়বদি নুপীশিংনা চেঙ তকফম মিল থুগাইখি, মপান্দা চেঙ থাদোকপা থিংখি, ইম্ফালগী বজার খুন্তাক লানশিখি। পাউ অসি মতমদুদা কছারদা লৈরিবা ইরাবতনা হেক তাবগা থুনা য়াঙনা ইম্ফালদা য়ৌরক্তুনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং নিংথৌগী মায়োক্তা ঈরাং হৌখি। মদুনা মরম ওইরগা ইরাবত ফাদুনা জেলদা ফাদোক ওইনা থমখি। ইকুই কুইদনা ইরাবতনা জেলদগী থোক্লক্লবা মতুং কুমজা ১৯৪৭তা ইন্দিয়া নীংতম্লে। কুমজা ১৯৪৮গী সেপ্টেম্বর ২১দা লৌমী-শিন্মীশিংগী ওইবা মীফম অমা ফম্নবা শিনবদা লম্লাই মায়কৈদগী য়াম্লবা মীয়াম অমা মীফম য়াওবা লাকপদা সিফাইশিংনা থিংবদগী মীয়ামগা মূক্নবদা পুলিস ওফিসর অমা শিখি। মসিনা মরম ওইরগা ইরাবত অন্দরগ্রাউন্দ তাখিদুনা বর্ম্মা (ম্যান্মার) দা মীরোৎ ওইদুনা লৈখি। অদুবু লাইবক থীবদি কুমজা ১৯৫১গী সেপ্টেম্বর ২৬তা বর্ম্মাগী তাংবো সেদো খুলদা ইরাবত অনাবা অমনা লৈখিদে। অদুগা অরোইবা মথৌ মঙম্না অঙ্গৈচীংদা পাঙথোকখি। মরম অসিনা চহী খুদিংগী ইংলিসকী সেপ্টেম্বর থানবু লাক্লবদি ‘ইরাবত থা’ হায়না মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিন থুংনা মথক্কী ঈশৈ অসিগা লোয়নননা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লরি। মরু ওইনা ঐখোয় পূম্নমক্না নীংশিংমিন্নবা য়াবা অমা হায়বা তারবদি, মৈতৈ নিংথৌগী পাখংবা য়েকপা ফিরালবু ‘লিন তোংবা ফিরাল’...! হায়না মিংথোন পীবিরম্বা অসিসু অমনি। ●




RECRUITMENT

*The deserving candidates are requested to submit their resumes with two recent passport photos along with supported documents on or before 28th Sept for the following Posts. For category B & SL.no . 14 fooding & lodging are free.*

| CATEGORY A: POST (Number) | QUALIFICATION | Preferance | Remuneration |
|---|---|---|---|
| 1. PRINCIPAL (1) | MSc/M.A+ More than 10 yrs teaching experience | Retd. lecturer | 20k-35k |
| 2. Chemistry Lecturer (4) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 20k-30k |
| 3. Botany Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 4. ZOOLOGY Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc / College | 15k-25k |
| 5. Physics Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 6. ACCOUNTANCY Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 7. History Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc /College | 15k-25k |
| 8. Political science (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 9. Geography Lecturer(2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 10. Economics Lecturer(2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 11. SOCIOLOGY Lecturer(2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 12 ENGLISH Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 13 Education Lecturer (2) | MSc + More than 3yrs Exp. | Working in reputed Hr.Sc/College | 15k-25k |
| 14. WARDEN 2M&2F (4) | MSc /M.A | Teaching expt upto CLASS X IN CONCERNCED SUBJECTS | 15k-25k |

| CATEGORY B: POST (Number) | QUALIFICATION | Preferance | Remuneration |
|---|---|---|---|
| 1. SALES MAN/PHARMACIST (3) | M.R /Medicine knowledge | Exp. as salesman/MR//marketing | best in market |
| 2. Cook or chefs of Fast food (2) | more than 2yrs Exp. | NO USED ALCOHOL OR DRUG | BEST IN MARKET |
| 3. Hotel Helpers M/F (2) | SINCERITY | NO USED ALCOHOL OR DRUG | BEST IN MARKET |

OFFICE OF ADVANCED COACHING INSTITUTE AT NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI OR KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH # 8787566090

HL-B/7838/20/9-4/10

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।